# ‘যুক্রেনদা রুসিয়াগী ইন্টরেষ্ট শোকপা থবক তৌরবদি চপ চাবা পাউখুম পীগনি’



দোনেটস্ককী মরুওইবা সিটি ৯ খুদুম চনশিন্দুনা লৈবা প্রো রুসিয়ান সেপরেটিষ্ট অমাঃ ফাইল

*মোস্কো, এপ্রিল ২৩ঃ* রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোবনা হায়খিবদা, করিগুম্বা যুক্রেনগী ইরাং অসিদা লৈবাক অদুদা রুসিয়াগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা থবক চথরক্লবদি রুসিয়ানা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়বগা লোয়ননা ইং ২০০৮ দা থোকখিবা জোরজিয়াগী লান অদুবু নিংশিংলদুনা ফোঙদোকখ্রে।

যুক্রেনদা ওইরিবা ইরাং অসিসু যু এসনা চথহনবনি হায়নসু ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা মরাল শীখি। যু এস ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেননা যুক্রেন খোঙচৎতা কিয়েবতা এন্টি টেরোরিষ্ট ওপরেসন অমুক হৌখ্রে হায়খিবদুসু ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি কিয়েব অদি নোংচুপ লৈবাকশিংনা হৌজিক যুক্রেনগী নোংপোক থংবা মফমশিংদা খুৎলায় পায়বশিংনা ইরাং তৌরিবা অদু মোস্কোনা কম্মান্দ তৌই হায়বা মরাল অমা শীরিবনি। মরাল অসি রুসিয়ানদি য়ানিংদ্রি।

হৌখিবা চয়োল খরদসু রুসিয়াবু য়াবা মিলিটেন্টশিংনা দোনেটস্ক অমদি লুহানস্ক রিজনশিংদা য়ামদ্রবদা টাউন ১০ হেনবদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ বিল্ডিংশিং খুদুম চনশিন্দুনা লৈরিবনি। বিল্ডিংশিং অদুদা মখোয়গী ওইবা ওফিসিয়েলশিং মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা যুক্রেনগী ক্রিমিয়া রিজন লৌশিনখিবগী লাল্লোং অদুমক চথরিবনি।

লাভরোবনা হায়খিবদা, ঐখোয়দা এটেক তৌরক্লবদি ঐখোয়নসু শোয়দনা খুৎ হনবা তাবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি করিগুম্বা ঐখোয়গী লেজিটিমেট ওইবা ইন্টরেষ্টশিংদা অতম্না এটেক তৌরক্লবদি মদুদা মালেমনা য়াবা আইনগী মখাদা ঐখোয়না চপ চাবা পাউখুম পীবা নত্তনা অতৈ তৌনিঙাই অমত্তা লৈতে।

ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা রুসিয়াগী ইন্টরেষ্ট হায়রিবসি করিনো হায়বদি শুগাইনা পনখিদে।

নিংশিংবা য়াবদি খা থংবা এসেটিয়াদা রুসিয়ানা শৌগৎপা রিবেলশিংগী মখুৎতগী লৈঙাক শক্তি মুন্নবা ইং ২০০৮ দা বিল্লিসিনা লান্মী কয়ামরুম থাজিনখিবনি। চহি অদুগী কালেন্থাদা রুসিয়ানা জোর্জিয়াগা লান মতেক অমসু মায়োক্লখিবনি।

অমরোমদা যুক্রেনগী ইরাং অসি অমেরিকানশিংনা শীল্লগা চথহনবনি হায়বসি থাজরোইদবগী মরম অমত্তা লৈত্রি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জেনেভাদা থা অসিগী ১৭ তা শেমখিবা একোর্ট অদু কিয়েবনা থবক্তা ওন্থোক্লবা অরেপ্পা পুক্নিং লৈতে হায়না মরাল শীবা ৱাফম অদুসু ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা অমুক হন্না পনখি।

বিল অদুদা পল্লিবা মরুওইবা ৱাফম অমদি নোংপোক থংবা যুক্রেনদা থোক্লিবা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং অসি খুদক্তা লোইশিনগদবনি। অদুগা আইননা য়াদনা খুৎলায় পায়বা কাংলুপশিংবু মখোয়না পায়শিল্লিবা ওফিসিয়েল বিল্ডিংশিং অমদি মখোয়গী খুৎলায়শিং থাদোকহন্নবা তকশিনগদবনি হায়বসিনি।

ৱাফম অমনা ই যু অমদি যু এসনা রুসিয়াবু মরাল শীরদুনা নোংপোক থংবা যুক্রেনগী খুৎলায় পায়বশিং অসিবু মখোয়না কন্ট্রোল তৌই হায়বগা লোয়ননা জেনেভা একোর্টবু রুসিয়ানা ইকায় খুন্নদে হায়নসু মরাল শীরিবনি।

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা যু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেননা যুক্রেনগী অনৌবা লৈঙাক লুচিংবশিংবু উন্নদুনা ৱারী শাখিবগা লোয়ননা রুসিয়াদসু ৱা ঙাংবা তোক্কুনা যুক্রেনগী ৱাথোক লোইশিন্নবা থবক ওইনা লৌখৎলু হায়না তকশিনখিবনি।

যু এসনা যুক্রেনদা পায়খৎকদবা পোলিটিকেল অমদি ইকোনোমিক রিফোর্মশিংগীদমক অহেনবা দোল্লর বিল্লিয়ন অমসু পীগদৌরি। অদুগা মে ২৫ দা পাঙথোক্লবা লেপ্লিবা প্রসিদেন্ট মীখলগী থৌরাংদা তেংবাংনবা দোল্লর বিল্লিয়ন ১১ অমসু হেন্না পীনবা ফিরেপ লৌখ্রবনি।

রুসিয়াগী মরুওইবা পাউ-চে অমদা হায়খিবদা, বিদেননা কিয়েবতা লাক্লিবসি অতৈ মরম অমগী নত্তে। রুসিয়া অমদি যুক্রেনগী মরক্তা লৈরিবা লৈক্রক অসিদা শীংচেপ অমা য়ৈশিন্নবগীদমকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু রুসিয়াগী পোলিটিকেল পণ্ডিত ৱ্লাদিমির গোর্বেককী ৱারোল অমা পল্লদুনা নেজাবিসিমায়া গেজেটানা হায়খিবদদি, যু এস ভাইস প্রসিদেন্ট অসি হৌজিক ফাওবদা যুক্রেন-রুসিয়াগী ৱাথোক্তা মায়কৈ অমত্তগী মীচং চংদে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মতাংদসু যুক্রেনগী প্রেস মান্নদবা ৱাখল অনি থোক্লে হায়রি।

# প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী এসিয়ান খোঙচৎ হৌখ্রে



*টোকিও, এপ্রিল ২৩ঃ* যু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী রুসিয়া খোঙচৎ হৌখিবগা লোয়ননা টোকিওদা ঙসি হায়খিবদা, যু এসনা চাইনাগী মপাঙ্গল হেনগৎলকপদা তরাম্না ওকই। অদুবু যু এসকী এসিয়ান এলাইশিংগা লৈনবা মরীদা চাইনাগা পুন্না থবক তৌমিন্নবনা মন্তিক্লবদি য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়া লমদমদা প্রসিদেন্ট অসিনা থুংলবদা চাইনাগী ষ্টেট মেদিয়ানদি তরাম্না ওকখি। ঙসি টোকিওদা যু এস প্রসিদেন্ট অসি এসিয়াগী লৈবাক মরিগী খোঙচৎ হৌবা ওইনা থুংলখি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি রিজন অসিদা লৈবাক মশেল উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লিকৈঙে চৈরক্তনি। মসিগী মমাংদা জপানগী য়ুল্লোন্নরিবা অৱাং কোরিয়াদা অতোপ্পা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা মখা তানা পাঙথোক্তনবা যু এসনা তকশিনখিবনি।

ইং ১৯৯৬ কী মতুংদা যু এস প্রসিদেন্ট অমনা জপানদা ষ্টেট ভিজিট ওইনা চৎপা অহানবা খোঙচৎ অসিদা জপান অমদি যু এসকী লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনবগী খুদম অমসু ওইরি।

ওবামা অমদি জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনো লৈবাক অনিমক্কী ললোন ইতিক্কী খুমাং চাওশিনবা হেনগৎহন্নবা অপাম্বশিং ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অমা লৈননবগী মরুওইবা খোঙথাং অমা হৌখ্রে।

ওবামানা হায়খিবদা, চাইনাগা যু এসকা খুৎশম্নানা থবক তৌমিন্নবা হায়বসিনা জপান নত্রগা অতোপ্পা এলাই অমগা লৈনবা মরীগা মন্তিক্লবদি ওইরোই হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি চাইনাগা মপা চাবা লম্বা অমা ওইরিবা জপানগা লৈনবা মরীসু হৌখিবা চহি অনিদগী ফত্তবা হেল্লক্লিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা ওবামানা জপানদা পীখিবা মরুওইবা থাজবা অমদি জপান অমদি চাইনানা লমগী মতাংদা য়েৎনবগী মরুওইবা ৱাহৌফম অমা ওইরিবা ইষ্ট চাইনা সিগী অপীকপা ইথৎশিং অদু জপান অমদি যু এসকী বাইলেটরেল সিক্যুরিটি ত্রিটি অমনা কোনশিনবা হিরমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ত্রিটি অসিনা মরম ওইদুনা জপানবু ঙাক শেনবা হায়বসি অমেরিকাগী থৌদাং ওইরি হায়না ফোঙদোকখিবা অসিনি।

ৱাফম অসি যু এস পোলিসিদা মতম কয়াগী মমাংদগী পন্দুনা লাক্লবনি। অদুবু ওবামাগী খোঙচৎ মনুংদা অমুক হন্না কনফার্ম তৌবা অসি জপান্নদি শোইদনা তরাম্না ওক্কনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ওবামানা হায়খিবদা, যু এসকী পোলিসিদি তশেং তশেংই হায়বগা লোয়ননা জপানিজশিংনা থোনবা ইথৎ অদুগী মমিং ওইনা পল্লদুনা সেনকাকু আইলেন্দস অসি জপাননা লৈঙাক্লি। অদুগা মসিনা মরম ওইদুনা যু এস জপান অনিগী মরক্তা লৈবা কো-ওপরেসন অমদি সিক্যুরিটিগী ত্রিটিগী ৱায়েকশিংগী মনুং চনবা মফমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইথৎ অসি চাইনানদি দিআওয়ু হায়না থোনবগা লোয়ননা

# সের্পা গাইদশিংনা এভরেষ্ট খোঙচৎ বোয়কোট তৌনবা খন্নরি



এভরেষ্ট চিংদোল য়ৌরবা চীংকারোই খরা ঙাইহাক্তং পোত্থারি,
লৈখিদ্রবা অঙ্কাজি সের্পাগী হকচাং মরী মতাশিংনা পুরি ঃ ইন্সেট

*কাঠমান্দু, এপ্রিল ২৩ঃ* এভরেষ্ট জয় তৌনবা হোৎনবা চীংকারোইশিংগী অহানবা খোঙহৌফম ওইরিবা এভরেষ্ট বেজ কেম্পতা নেপালগী সের্পা গাইদশিং অমদি চীংকারোইশিং পুন্না উন্নদুনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা উন নিংখাইরকপদগী সের্পা গাইদ কয়ামরুম পুন্সি মাঙখ্রবা মতুংদা চীং কাবগী খোঙচৎশিং কেন্সেল তৌগদ্রা তৌরোইদ্র হায়বদু খন্নখ্রে।

মীরৈবাক্তগী লাকপা চীংকারোইশিংদগী লৌখৎপা রিভেন্যুদা গাইদশিং অসিগী অহেনবা সেয়ার পীরোইদবা লৈরবদি চীংকাবগী খোঙচৎশিং বোয়কোর্ট তৌগনি হায়নসু সের্পাশিংনা ৱার্নিং পীখ্রবনি। গাইদশিংনা তকশিনবা অসিগী মতুংইন্না গভর্নমেন্টনসু শিখ্রবা গাইদশিংগী ইমুং মনুংশিংদা পীগদবা কম্পেন্সেসনগী শেনফম হেনগৎহল্লগনি হায়না ঙরাং লেপখ্রবনি।

পনবা য়াবদি অনৌবা মতমগী মাউন্টেনিয়ারিংগী ইতিহাসতা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা উন নিংখাইবগী থৌদোক অদুনা অমুকখক্তদা খ্বাইদগী য়াম্না পুন্সি মাঙহনবা থৌদোক ওইখিবনি।

বেজ কেম্পকী হেক মথক্তা উনপাক অমা নিংখাইরকপদগী সের্পা গাইদ ১২ খুদক্তা শিখিবনি। কোন্না অশিবা হকচাং অমসু মী কনবশিংনা থেংনরক্তুনা অশিবগী মশিং ১৩ য়ৌখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতুংদগী সের্পাশিংনা মী কনবা অমদি গাইদশিংদা পীবা লায়েংগী খুদোংচাবশিং হেনগৎহনবগী খোঙথাং খরসু তকশিল্লিবনি।

চৈরক অসিদা সের্পা গাইদ কয়ামরুমদি মফি মরোল য়োমদুনা বেজ কেম্পতগী হন্নখিবগা লোয়ননা এভরেষ্ট চীংদোল লোম্নবা লাকখিবা চীংকারোই খরনা লৈহৌরিবা সের্পাশিংগা মখা তানা ৱারী শান্নরি হায়রি।

মসিগী মমাংদা লৈখিদ্রবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা কুমসি চহিগী এভরেষ্ট এক্সপিদিসন খরসু কেন্সেল তৌখ্রবনি।

লিখুন খরনা হায়বদদি সের্পা গাইদশিংগা য়ানবা অমদি লাকপা য়াবগী থাজবা মাঙদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কুমসি চহিগী ওইনা এভরেষ্ট জয় তৌবদা পান্দম থম্বা চীংকারোই ৩০০ হেনবনা থিফম থোকপা শেনফম থিখ্রবনি। নেপাল্লি গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েলশিং অমদি মাউন্টেনিয়ারিং ওপরেটর খরসু বেজ কেম্পতা থাদুনা হয়েং য়ানবা অমা পুরক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না নেপালগী টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

কাঠমান্দুদসু টুরিজম ওফিসিয়েলশিং, সের্পা মীহুৎশিং অমদি এক্সিপিদিসন লিদরশিংগী মরক্তা খুদোংথিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়া, চাইনা, পাক নেভিগী জহাজশিং পুন্না এক্সরসাইজ পাঙথোকমিন্নখ্রে

*বৈজিং, এপ্রিল ২৩ঃ* চাইনিজ নেভিগী ৬৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চাইনাগী সমুদ্র মপালদা পাঙথোকপা লৈবাক কয়ামরুমগী মেরিটাইম এক্সরসাইজ অমদা ইন্দিয়া, চাইনা অমদি পাকিস্টানগী নেভিগী জহাজশিং পুন্না শরুক য়ামিন্নখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী আই এন এস সিবালিক হায়বা লানগী জহাজ অদু অতোপ্পা জহাজ ১৮, হেল্লিকোপ্টর ৭ অমদি মেরিন কোরশিংনা পুন্না পাঙথোকপা এক্সরসাইজ অদুদা পুন্না শরুক য়াখিবনি।

ইন্দিয়াদা নত্তনা চাইনা, বাংলাদেশ, পাকিস্টান, সিঙ্গাপুর, ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া অমদি ব্রুনৈগী জহাজশিংসু এক্সরসাইজ অদুদা শরুক য়াখি। এক্সরসাইজ অদু চাইনাগী নোংপোক থংবা কিংদাউ সিটিগী সমুদ্র মপালদা পাঙথোকখিবনি।

‘মেরিটাইম কো ওপরেসন ২০১৪’ হায়বা কোদ নেম থোনবা এক্সরসাইজ অদু চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) না ইহান হান্না শীনবা লৈবাক কয়ামরুমগী মেরিটাইম এক্সরসাইজনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সরসাইজ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি পুন্না থিবা হুম্বা অমদি মী কনবগী ওপরেসন চথমিন্নবা অমদি টাস্ক ফোর্সশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা, ফোর্মেসন শেমদুনা চৎমিন্নবা অমদি মেরিটাইম রিপ্লেনিসমেন্ট সপ্লাইনচিংবা পাঙথোকমিন্নবা অসিনি। অসিদসু নত্তনা রেস্ক্যু অমদি এন্টি হায়জেক্কিং ওপরেসন চথমিন্নবা অদুগা অপিকপা খুৎশু খুৎলায়শিং শীজিন্নবদসু এক্সরসাইজ অদুনা মিৎয়েং থমদুনা চথখিবনি।

এক্সরসাইজ অদুগী কম্মান্দ সিপ ওইখিবনা চাইনাগী হার্বিন্দ হায়বা দেষ্ট্রোয়র অদুনি। জহাজ অদুদা নেভিগী বৈহায়ফ্লিটকী দিপ্যুটি চিফ য়াংজুনফেনা এক্সরসাইজ কম্মান্দর ওইনা শরুক য়াখি। এক্সরসাইজ অসি লৈবাকশিংগী মরক্তা ৱাখল ফাওদোক্লবা, থাজনবা অমদি মেরিটাইম ফোর্সশিংগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা মেরিটাইম সিক্যুরিটি মপুং ফানা ফগৎহনবদা অমগা অমগা তেংবাংনবা অদুগা পাইরৎকী ওইবা খুদোংথিবদা হেন্না ফজনা পাউখুম পীনবা হায়বসিদা চংশিনখিবনি।

হাকুম চহিদসু ইন্দিয়াগী সিবালিক হায়বা জহাজ অসি অতোপ্পা জহাজ অহুমগা লোয়ননা গুদৱিল ভিজিট অমদা চাইনাগী সাংহায়দা লাকখিবনি।

এক্সরসাইজ শরুক য়াবা লাকখিবা সিবালিক হায়বা জহাজ অসিবু ঙরাং মীয়ামদা য়েংনবদা চাইনাগী নেভী কেদেট ৪০০ য়াওনা মীওই ১৫০০ রোমনা কাখৎতুনা য়েংখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ওষ্ট্রেলিয়া, মালেসিয়ানা প্লেন থিবা লেপখিরোইদৌরি



*পর্থ, এপ্রিল ২৩ঃ* মাঙখ্রবা মালেসিয়ান প্লেনগী লিখুন অমত্তা খঙদনা চয়োল ৭ লোম হৌখ্রবা মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি মালেসিয়ানা এরোপ্লেন অদুগী অঙকপা থৌদোক অসিগী অশেংবা খঙনবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চংশিন্নবা ৱাশকখ্রে হায়রি।

নোংজু নুংশাগী ফিভম ফত্তবনা ঈশিং মনুংগী দ্রোন অমগী অহানবা মপুং ফাবা মিসন লোইরমদাইদা এরোপ্লেনশিংসু য়াওনা থিবগী থৌরাং চংশিল্লিবা অসিদা অপনবা থোকখ্রে।

অদুবু ওষ্ট্রেলিয়াগী ওঠোরিটিশিংনা হায়বদা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপালদা ইথক্লা হুমগৎলকপা অতেক অকাই পোৎলম খরা মাঙখ্রবা মালেসিয়ান এয়ারলাইন্স ফ্লাইট অদুগা মরী লৈনবা ওইগদ্রা হায়বসিদা কুপ্পা য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর টোনি এবোটনসু মসিগী মমাংদা হায়খিবদা, থিবগী থৌওং অসি যু এস নেভি দ্রোন অমনা প্লেন অদুগী লিখুন অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা হোংদোকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

মহাক্না হায়খিবদা, থিবগী থবক অসি ঐখোয়না অমুক হন্না খন্নরবসু য়ারি। অদুবু অঙকপা খুদোংথিবা অসিগী অশেংবা ৱারী লিখুন অমা হেক ফংদ্রিবমখৈদি পোত্থাবা লৈরোই হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

ব্লুফিন-২১ হায়বা ঈশিং মনুংগী দ্রোন অসি থিবগী থবক অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা প্লেন অদুগী ব্লেকবোক্স ফ্লাইট রেকোর্দরদগী ওইরমগনি হায়না থাজবা ওদিও সিগ্নেল মরি ফংখিবা মফম অদুৱাইদা সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা থিবগী থবক কন্না চংশিনখিবনি।

দ্রোন অসিগী অহানবা মপুং ফাবা মিসন নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোইগদবসু ৱাৎলিবনি।

অমরোমদা মশক খঙদবা পোৎলম খরা নোংচুপ থংবা ওষ্ট্রেলিয়াগী খা থংবা সমুদ্র মপালদা থেংনরকপদগী ওষ্ট্রেলিয়া পুলিসনা পোৎলমশিং অদু লৌখৎলুরে হায়রি। পোৎলমশিং অদু ওগষ্টা টাউনগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা থেংনরকপনি হায়নসু জোইন্ট এজেন্সি কো ওর্দিনেসন সেন্টরগী চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# খালেদাগী হায়জ চেরোল বাংলাদেসি কোর্টনা য়াখিদ্রে

*ধাকা, এপ্রিল ২৩ঃ* বাংলাদেশ নেস্নেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) গী চিয়ারপার্সন ওইরিবী বেগম খালেদা জিয়ানা মহাক্কী ইন্দাইকমেন্ট তোকপীনবা হায়জখিবা চেরোল অমা বাংলাদেশ কোর্ট অমনা রিজেক্ট তৌখ্রে হায়রি।

জিয়া চেরিটেবল ত্রষ্ট অমদি জিয়া ওর্ফানেজ ত্রষ্ট গ্রাফট কেসতা মহাক্কী ইন্দাইকমেন্ট তোকপীনবা হায়জ চেরোল অমা কোর্টতা খালেদা জিয়ানা লানখৎখিবনি। জষ্টিস বোরহানুদ্দিন অমদি জষ্টিস কে এম কামরুল কাদেরকী বেঞ্চ অমনা রিভিয়ু পিটিসন অদু হিয়ারিং চথরবা মতুংদা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমদা মহাক্কী হায়জ চেরোল অদু রিজেক্ট তৌরকখিবনি।

মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎলিবা চার্জশিং অদু মওং চুম্না ফ্রেম তৌদে হায়বসিদা যুম্ফম ওইদুনা খালেদানা প্লি অমা লানখৎখিবনি। গ্রাফট কেসশিং অসিদা ধাকাগী স্পিসিয়েল জজ বাসুদেব রোয়না হৌখিবা মার্চ ১৯ দা খালেদা জিয়াবু ইন্দাইক্ট তৌখিবনি।

এন্টি করপসন কম্মিসন (এ সি সি) না জিয়া ওর্ফানেজ ত্রষ্ট গ্রাফট কেস অসি খালেদা অমদি মহাক্কী মচানুপা তারিক রহমন য়াওনা মীওই তরুক্কী মথক্তা ফাইল



তৌখিবনি।

ইং ২০০৮ দা মখোয়না ত্রষ্ট অসিগী ওইগদবা ফন্দগী শেনফমদগী টাকা মিল্লিয়ন ২১ রোম মশাগী ওইনা লৌশিনখি হায়না এ সি সি না মখোয়গী মথক্তা মরাল শীখিবনি। হায়রিবা শেনফম অদুদি মীরৈবাক্কী বেঙ্ক অমদগী লাকখিবনি হায়নসু পাউশিংদা ফোঙদোক্লখি।

ইং ২০১১ দসু এ সি সি না বি এন পি গী মকোক অসিগা অতোপ্পা মীওই অহুমগগী মথক্তা কেস অমসু ফাইল তৌখি। কেস অদুদসু জিয়া চেরিটেবল ত্রষ্টতগী বি এন পি চিফ অসিগা মীওই অহুম অদুগনা টাকা মিল্লিয়ন ৩১.৫ মরন্নাই ওইনা লান্না লৌথোকখি হায়বগীদমক কম্মিসন অসিনা কেস অমা ফাইল তৌখিবনি। কেসশিং অসিগী হিয়ারিং চথরবা মতুংদা ধাকাগী স্পিসিয়েল জজনা মীওইশিং অসি ইন্দাইক্ট তৌখিবনি।

# ৱিন্দোজ এক্স পি লেপখিবদগী চাইনা সিক্যুরিটিগী খুদোংথিবা মায়োক্লরে

*বৈজিং, এপ্রিল ২৩ঃ* মাইক্রোসোফটনা মসিগী ৱিন্দোজ এক্স পি ওপরেটিং সিষ্টেমগী সিক্যুরিটি অপদেট তৌবা লেপখ্রবা মতুংদা চাইনাগী ষ্টেট এজেন্সিশিংগী সিক্যুরিটিদা খুদোংথিনিঙাই ওইরকখিবগা লোয়ননা খুদোংথিবা অসি মায়োক্লনবা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং লৌখৎনবা চাইনানা হোৎনরি হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মাইক্রোসোফটনা সার্ভিস পীবা লেপখিবদগী এক্স পি য়াওবা কম্প্যুটরশিং হেক্করশিংনা শোকপা ঙম্বা ওইরকপদগী সিক্যুরিটি প্রোব্লেম অমা থোক্লে হায়না চাইনাগী নেস্নেল কোপিরাইট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিপ্যুটি দিরেক্টর য়ান জিয়াওহোংনা পাউগী মীফম অমদা ঙরাং ফোঙদোকখিবনি।

চহি ১৩ শুরক্লবা ৱিন্দোজ এক্স পি গী সপ্পোর্ট মাইক্রোসোফটনা লেপখ্রবা মরমদগী চাইনাগী কম্প্যুটর শীজিন্নবশিংগী মরুওইবা ওপরেটিং সিষ্টেম অসিদা সিক্যুরিটিগী খুদোংথিবা অসি লাকখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা এপ্রিল ৮ দা সিক্যুরিটি অপটেদ লেপখিবগা লোয়ননা মাইক্রোসোফটনা কম্প্যুটর শীজিন্নবশিংদা ৱিন্দোজ ৮.১ দা অপদেট তৌনবা খঙহনখিবনি। নত্রগনা অনৌবা পি সি অমা লৈনবা মাইক্রোসোফটনা খঙহনখিবনি।

য়াননা হায়খিবদা ৱিন্দোজ আইট অসিদি মমল ফজনা তাংই। মসি গভর্নমেন্টকী ওইনসু প্রোক্যুমেন্টকী চাদিং হেনগৎহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়বদা, ইসু অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা মাইক্রোসোফটকা পাউ ফাওনদুনা য়ানবা অমা পুরক্লবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

# কোঙ্গোদা ত্রেন গুরুং চৎপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭ শিরে

*কিনসাসা, এপ্রিল ২৩ঃ* দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী কাটঙ্গা প্রোভিন্সতা ঙরাং ত্রেন অমা গুরুং চৎখ্রে হায়বগা লোয়ননা খুদোংথিবা থৌদোক অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭ শিরে হায়না থৌদোক অদুবু থেংনহৌবা অমগা লোকেল ওফিসিয়েল অমগনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওই অদুনা হায়বদা, ত্রেন গুরুং চৎখিবা মফম অদুদা মহাক্না থেংনরকপা অশিবা হকচাংশিং মশিং থিবদা ৩৭ শুই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কাটঙ্গাগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর দিকাঙ্গা কাজাদিনা হায়বদা, মহাক্না ফংবা পাউদদি অশিবগী মশিং ৫৭ নি অদুগা অশোকপনা ৬৭ নি হায়না ফোঙদোকখি।

অশিবগী মশিং অসি হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মরমদা থীজিল্লুনবা ইনভেষ্টিগেসন টিম অমসু মফম অদুদা থাজিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

গুরুং চৎখ্রিবা ত্রেন অদু পোৎ-চৈ পুবা ত্রেননি। অদুবু থৌদোক থোকপা মতম অদুদদি মী পুরগা চৎখিবনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদু লিকাসি মনাক্তা থোকখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লিকাসি অসি লুবুম্বাসি অমদি কোলোয়েজিগী মরক্তা লৈবা কোরি অমদি কোবাল্ট মরাং কায়না থোকপা মাইনিং টাউন অমনি।

TECHNICAL COACHING CENTRE
Sagolband Meino Leirak (Near Atom Bapu Research centre)
Crash Coaching for the recruitment of MPSC Section Officer
Grade –I (IT) and Grade – II (IT)
Classes already started on 04/04/2014
** Only few seats left
# 9863307164, 8974708390, 9863195441
SI/C-20-20 May